# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, MONDAY, JANUARY 13, 2020 PAGE 7




*ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ক্লব হায়দরবাদ এফ সিগী নৌনা কোচ ওইনা এপোইন্ট তৌখ্রবা মমাঙদা বেঙ্গালুরু এফ সিগী মেনেজর ওইরম্বা অলবার্ট রোকা*

*ওস্ট্রেলিয়াগী সিটি ব্রিজবেনদা পাঙথোকখিবা ব্রিজবেন ইন্টরনেসনেলগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রবী চেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভা*



## ট্রাউনা ইন্দিয়ান এরোজবু ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা হেরো আই লীগকী পোইন্ট টেবলদা পোজিসন হাইগৎপা ঙমখ্রে

Hero I-LEAGUE



*ভাস্কো, জনুৱারি ১২ (এজেন্সি) ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মরুওইবা অমা ওইরিবা হেরো আই লীগকী ঙসি গোৱাগী ভাস্কোদা লৈবা টিলক মৈদানদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা মণিপুরগী ফুটবোল ক্লব টিদিম রোদ এঠলেটিক য়ুনিয়ন (ট্রাউ) না এ আই এফ এফকী দিভলপমেন্ট সাইদ ইন্দিয়ান এরোজবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা পোজিসন হাইগৎপা ঙমখ্রে।

পনবা য়াই, হেরো আই লীগকী পুৱারীদা অহানবা ইম্ফাল দরবি ওইনা ট্রাউ অমসুং নেরোকা এফ সিনা ইম্ফালদা লৈবা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা ট্রাউনা নেরোকাবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা ওইনা মায় পাক্তুনা মপুং ওইবা পোইন্ট ৩ ফংবা ঙমখ্রবা মতুং ঙসি অমুক মায় পাকপা ঙমখিবনি।

ট্রাউ অমসুং ইন্দিয়ানা এরোজনা শান্নখিবা মেটচ অসি হৌবদগী ট্রাউনা এটেক হেন্না চখদুনা য়ুম্বু টিম ওইখিবা ইন্দিয়ান এরোজগী শান্নরোইশিংনা প্রেসর পীশিন্দুনা লাকখি। ট্রাউগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেকশিং অদু ইন্দিয়ান এরোজগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী গোল একাউন্ট হাংনবা ঙমদনা লাকখি।

মতম কুইনা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনিট অমখক ঙাইরবা মতমদা ট্রাউগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা ট্রাউনা কোর্নর অমা ফংখি। কোর্নর অদু ৱাহেংবম লুৱাংনা কাউরকপদা টিমমেট নাওচা সিংহনা গোল ওন্থোক্তুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

মখা তানা শান্নরকপদা গোল মাঙজিল থারিবা ট্রাউগী শান্নরোইশিংনা এটেক অদুমক হেন্না চখদুনা ইন্দিয়ান এরোজগী শান্নরোইশিংদা গোল হন্দোকপা য়াবগী খুদোংচাবা পীখিদে।

শান্নবগী ৭৯শুবা মিনিটতা ট্রাউগী শান্নরোই ফালগুনি সিংহনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা ফিভম ফজনা লৈরিবা টিমমেট প্রিন্সৱেল ইভেকাদা পাস পীরকখিবা অদু অশোয় অঙাম য়াওনা গোল ওন্থোক্তুনা ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বেলদা পুশিল্লকখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা ইন্দিয়ান এরোজগী শান্নরোইশিংনা শোখখিবা গোলশিং অদু অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মেটচ অসি ট্রাউনা ইনি দয়ানা এরোজবু ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৭শুবা মফমদা হাইগৎপা ঙমখি।

## কেরলাগী এঠলেট অন্সি সোজাননা গোল্ড অনী লৌখ্রে

*গুৱাহাটি, জনুৱারি ১২ (এজেন্সি) ঃ*


অসামগী সিটি গুৱাহাটিদা চখরিবা ৩শুবা খেলো ইন্দিয়া য়ূঠ গেমসতা কেরলাগী এঠলেট এন্সি সোজান্না গোল্ড মেডল অনী লৌখ্রে।

গেমস অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা চহী ২১ নুপীমচাগী লোং জম্প ইভেন্টকী ফাইনেলদা মশাগী চহী ১৮ শুরবী কেরলাগী এঠলেট এন্সি সোজাননা ৬.৩৬ মিটর চোংদুনা গোল্ড মেডল লৌখি। তামিল নাদুগী সেরিন অব্দুল গাফুরনা ৬.৩০ মিটরদা সিলভর মেডল ফংখি।

নুপীগী মিটর ১০০ গী লমজেলদা কেরলাগী এঠলেট এন্সি সোজাননা ১২.১২ সেকেন্দদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। পনবা য়াই, এন্সিনা সাঙ্গুরদা মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা এস জি এফ আই নেসনেল স্কুল এঠলেটিক্স চেম্পিয়নসিপ্তা গোল্ড মেডল ৪ লৌবা ঙমখিবনি।

চহী ১৭ মখাগী নুপীমচাগী মিটর ১০০ গী লমজেলদা টেলঙ্গানাগী জিভানজি দিপথি অমসুং তামিল নাদুগী রুথিকা সারাভানাননা পুন্না ১২.২৬ সেকেন্দদা পন্থুংফম য়ৌমিন্নদুনা মথংশিংনা গোল্ড অমসুং সিলভর মেডল লৌখি।

## সর্ভিয়ানা স্পেনবু ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা এ টি পি কপকী অহানবা ইদিসনগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে



*সিদনি, জনুৱারি ১২ (এজেন্সি) ঃ*

ওস্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা অহানবা ওইনা পাঙথোক্লিবা এ টি পি কপকী ঙসি সিদনিদা লৈবা কেন রোজৱাল এরেনাদা শান্নখিবা ফাইনেলদা সর্ভিয়ানা স্পেনবু মেটচ ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা অহানবা ওইনা চেম্পিয়ন ওইবা লৈবাক ওইখ্রে।

অহানবা ওইনা পাঙথোক্লিবা এ টি পি কপ অসি ওস্ট্রেলিয়াগী মরুওইবা সিটি অহুম ব্রিজবেন, পর্থ অমসুং সিদনিদা থা অসিগী ৩ দগী টিম ২৪ না শরুক য়াদুনা শান্নবা হৌরকপনি।

নীংশিংবা য়াই, টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা সর্ভিয়ানা রুশিয়াবু মেটচ ৩–০ দা মায়থিবা পীরম্লবনি অদুগা স্পেননা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ওস্ট্রেলিয়াবু মেটচ ৩–০ দা থোইরম্লগা ফাইনেল চঙলকপনি।

এ টি পি কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল টাই অসিগী অহানবা মেটচ ওইখিবা সিঙ্গলসকী মেটচতা স্পেনগী শান্নরোই বোটিষ্টা আগুটনা সর্ভিয়াগী শান্নরোই দুসান লাজোভিসপু ষ্ট্রেট সেট ৭–৫, ৬–১ দা মায়থিবা পীদুনা মেটচ অমা মাঙজিল থাদুনা লাকখি।

ফাইনেল টাই অসিগী অনীশুবা মেটচসু নুপাগী সিঙ্গলস ওইখি। মেটচ অসিদা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা হৌজিক–হৌজিক নুপাগী সিঙ্গলসকী ৱাৰ্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালবু ৬–২, ৭–৬(৭–৪) দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অসি মেটচ অমমম মান্নদুনা য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা লৈরকখি।

দিসাইদিং মেটচ ওইখিবা দবলসকী লম্বাদা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিস অমসুং ভিক্তর ট্রোইকীনা স্পেনগী পাব্লো কারেনো বুষ্টা অমসুং ফেলিসিয়ানো লোপেজবু ৬–৩, ৬–৪ দা থোইদুনা মেটচ ২–১ দা মায় পাক্তুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

## কিপ্রুটোনা কিমি ১০গী লমজেলদা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ থমখ্রে

*ভেলেন্সিয়া, জনুৱারি ১২ (এজেন্সি) ঃ*

স্পেনগী সিটি ভেলেন্সিয়াদা পাঙথোকখিবা এঠলেটিক্স চেম্পিয়নসিপ্তা কেনিয়াগী রোনেক্স কিপ্রুটোনা নুপাগী কিলোমিটর ১০গী লমজেলদা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রে অদুগা নুপীগী কিলোমিটর ১০গী লমজেলসু কেনিয়াগী সৈলা সেপকুরুইনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

নুপাগী কিলোমিটর ১০গী লমজেল অসিদা কেনিয়াগী রোনেক্স কিপ্রুটোনা ২৬.২৪ মিনিটতা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি। কেনিয়াগী অতোপ্পা এটলেট বেনার্দ কিমেলিনা ২৭.১২ মিনিটতা অনীশুবা অদুগা স্বিটজরলেন্দগী জুলিয়েন ৱান্দর্সনা ২৭.১৩ দা অহুমশুবা তাখি।

নুপীগী কিলোমিটর ১০গী লমজেলদসু কেনিয়াগী এঠলেট চেপকিরুইনা ২৯.৪২ মিনিটতা মকোক ওইখি। রোজমেরি অমসুং নোরাহ জেরুটোনা মথংশিংনা ২৯.৪২ মিনিট অমসুং ২৯.৫১ মিনিটতা মথংশিংনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখি।

## মালেসিয়া মাষ্টর্স ঃ জপানগী মোমোটানা নুপাগী অদুগা চাইনাগী য়ুফেনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে

PERODUA MALAYSIA MASTERS 2020 presented by DAIHATSU



*কোলা লম্পুর, জনুৱারি ১২ (এজেন্সি) ঃ*

মালেসিয়াগী কোনুং কোলা লম্পুরদা থা অসিগী ৭ তগী চখরকপা য়ু এস দোলর ৪০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা মালেসিয়া মাষ্টর্সকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচশিং মায় পাক্তুনা জপানগী কোন্টো মোমোটানা নুপাগী অদুগা চাইনাগী চেন য়ুফেনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটলশিং লৌখ্রে।

মালেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা জপানগী কোন্টো মোমোটানা ৫শুবা সিদেদ ওইরিবা দেনমার্ককী ভিক্তর এজেলসেনবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২৪–২২, ২১–১১ দা মায়থিবা পীদুনা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর টু সিদেদ ওইরিবী চাইনাগী চেন য়ুফেনা নম্বর ৱান সিদেদ চাইনাগী চেন য়ুফেবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১৭, ২১–১০ দা য়াম্না লায়না মায়থিবা পীদুনা টাইটল ফংবা ঙমখি।

মালেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা সাউথ কোরিয়াগী পেয়র কিম জি জুং অমসুং লি য়োং দেনা ৩শুবা সিদেদ চাইনাগী পেয়র লি জুনহুই অমসুং লিয়ু য়ুচেনবু ২১–১৬, ২১–১৬ দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা চাইনাগী পেয়র লি ৱেনমৈ অমসুং ঝেং য়ুনা ৭শুবা সিদেদ অতোপ্পা চাইনাগী পেয়র দু য়ু অমসুং লি য়িনহুইবু ২১–১৯, ১৬–২১, ২১–১৯ দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ চাইনাগী পেয়র ঝেং সিৱৈ অমদি হুৱাং য়াকিওংনা ২শুবা সিদেদ অতোপ্পা চাইনাগী পেয়র ৱাং য়িলু অমদি হুৱাং দোংপিংবু ২১–১৯, ২১–১২ দা থোইদুনা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌখি।

## কেরলানা এ টি কেবু ১–০ দা থোইখ্রে

*কোলকটা, জনুৱারি ১২ (এজেন্সি) ঃ*

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আই এস এল) গী ঙসি কোলকটাদা লৈবা ভিভেকানন্দ য়ুবা ভারতি ক্রিয়াঙ্গন্দা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সিনা য়ুম্বু ক্লব এটলেটিকো দি কোলকটাবু গোল ১–০ দা থোইখ্রে।

কেরলা ব্লাষ্টর্স অমসুং এ টি কেনা শান্নখিবা মেটচ অসি হেক হৌবদগী টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফকী মতম লোইশিনখ্রবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবা হৌরকপদসু টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঙ্গল মান্ননা শান্নরকখিবদগী মতম খরা গোল অমত্তা চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি। মেটচকী ৭০শুবা মিনিটতা ভিজিটর টিম ওইরিবা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সিগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা হালিচরন নরজারিনা গোল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

মখা তানা শান্নরকখিবা মেটচকী লেমহৌবা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল হাপচিন্নখিদবদগী মেটচ অসি কেরলানা ১–০ দা থোইখি।

## হর্মনপ্রিতনা ৱুমেন’স টি–২০ ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী টিম লুচিংলগনি

*মুম্বাই, জনুৱারি ১২ (এজেন্সি) ঃ*

হর্মনপ্রিত কৌরনা ওস্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱুমেন’স টি–২০ ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী টিম লুচিংলগনি, বেঙ্গলগী নহা ওইরিবী শান্নরোই রিচা ঘোসসু ইন্দিয়াগী স্কৱাদ অসিদা অহানবা ওইনা য়াওবা ঙমখ্রে।

মেম্বর ৫ না শাবা নেসনেল সেলেক্সন কম্মিটিনা ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম্না পাঙথোক্কদৌরিবা টি–২০ ৱার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়ানবা ইন্দিয়াগী মেম্বর ১৫ না শাবা স্কৱাদ অসি লাওথোকখিবনি। সেলেক্টরশিং অসিনা ঘোসকী পার্ফোমেন্স অদু কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুং ইন্দিয়াগী স্কৱাদ অসিদা বেটসমেন অমা ওইনা শরুক য়াহনখিবনি।

মমাঙ চহীগী ময়ায় চনশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিম মপুং ফানা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদনা লাকখি। অদুবু মখা তানা সাউথ অফ্রিকা অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজগা শান্নরকখিবা অদুনা হৌজিক পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড কপ অসিদা চাওনা মতেং পাঙবা ঙম্লগনি হায়না ইন্দিয়া টিমগী কেপ্টেন হর্মনপ্রিত কৌরনা ফোঙদোকখি।

ৱুমেন’স টি–২০ ৱার্ল্ড কপ অসিগী মাঙওইননা ইন্দিয়াগী নুপী টিম্না ইংলেন্দ অমসুং ওস্ট্রেলিয়াগা পুন্না ট্রাই সেরিজ অমা কেনবেরাদা থা অসিগী ৩১ দগী হৌদুনা শান্নরগনি।

ইন্দিয়াগী ৱার্ল্ড কপ স্কৱাদ অদুদি হর্মনপ্রিত কৌর, স্মৃতি মন্ধনা, সাফালি ভর্মা, জেমীমাহ রোদ্রিগ্বেজ, হরলিন দিওল, দিপ্তি শর্ম্মা, ভেদা কৃষ্ণমুর্থি, রিচা ঘোস, টানিয়া ভাটিয়া, পুনম যাদব, রাধা যাদব, রাজেশ্বরী গায়কৱাদ, সিখা পান্দে, পুজা ভাষ্ট্রকর অমসুং অরুন্ধাতি রেদ্দিনি।


ꯑꯣꯐ/ꯑꯣꯐ ꯁꯛꯔꯤꯟ ꯄ꯭ꯔꯦꯁ

M/S IMPHAL PRESS

Screen Printing & Rubber Stamps Works

Paona Bazar, Governor Road Crossing
Regd. No. 11/01/0171/PMS/SSI

Lengsinbirakshi

* Heijingpot bag
* Box
* Shirt
* Sweet Box
* Invitation Card
* Receive Book
* Letter Head
* Thesis Binding
* Seal



* Pre-Ink Seal
* Offset Printing
* Screen Printing

20% discount for physically challenge people, girls, students and army personal

লেঙশিনবীরকসি অমদি খুদোং চাবশিং অসি লৌমিন্নরসি

M/S IMPHAL PRESS
Paona Bazar, Governor Road Crossing
Phone No. 9774220295 / 9366285239

SL/5683/6+15 days


## সেরেনানা ওকলেন্দগী টাইটল ওষ্ট্রেলিয়াগী বুসফায়রগী ভিক্তিমশিংদা কৎথোকখ্রে

*ওকলেন্দ, জনুৱারি ১২ (এজেন্সি) ঃ*

ন্যু জিলেন্দগী সিটি ওকলেন্দদা চখরকপা এ এস বি ওকলেন্দ ক্লাসিক্কী নুপীগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইখ্রবী য়ু এসকী সেরেনা ৱিলিয়মসনা মহাক্কী য়ু এস দোলর ৪৩,০০০ প্রাইজ চেক অদু ওষ্ট্রেলিয়াগী বুসফায়রগী ভিক্তিমশিংদা দোনেট তৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা মতম কুইনা টাইটল ফংবা ঙমদনা লাকখ্রবী য়ু এসকী সেরেনা ৱিলিয়মসনা জেসিকা পেগুদাবু ৬–৩, ৬–৪ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা য়ু এসকী সেরেনা ৱিলিয়মস অমসুং দেনমার্ককী কেরোলিনা ৱোজনিয়াকী এসিয়া মুহমদ অমসুং টেলর টাউনসেনগী মখূত্তা ৪–৬, ৪–৬ তা মায়থিহৌদুনা রন্নর্স অপ তাহৌখি।

ক্রোসৱার্দ ৩৯৭ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | M | M | O | ■ | C | A | P | O | ■ | S | H | A | P | E |
| T | E | A | R | ■ | A | M | E | N | ■ | T | E | L | L | S |
| O | R | I | G | I | N | A | T | E | ■ | A | R | I | A | S |
| M | E | L | ■ | N | O | S | E | ■ | C | R | E | A | T | E |
| ■ | ■ | ■ | D | E | E | S | ■ | H | A | T | ■ | S | O | S |
| T | A | P | E | R | ■ | ■ | T | I | R | E | S | ■ | ■ | ■ |
| E | N | A | C | T | S | ■ | E | V | E | R | M | O | R | E |
| S | T | I | R | ■ | T | I | N | E | S | ■ | I | D | O | L |
| T | E | N | E | M | E | N | T | ■ | S | E | L | D | O | M |
| ■ | ■ | ■ | E | A | R | T | H | ■ | ■ | R | E | S | T | S |
| S | A | C | ■ | L | E | O | ■ | R | E | A | R | ■ | ■ | ■ |
| P | U | E | R | T | O | ■ | S | I | R | S | ■ | A | L | E |
| E | D | D | I | E | ■ | U | N | D | R | E | S | S | E | D |
| L | I | E | N | S | ■ | P | A | G | E | ■ | S | I | N | G |
| L | O | D | G | E | ■ | S | P | E | D | ■ | E | A | S | E |


MEIKLEY International School

ESTD. 2016

ADMISSIONS OPEN

HURRY UP

Curriculum supported by BUBBLES KIDS (A Globally Recognised)



Classes
Pre-Nursery to Class III

2020 - 2021

Class Starts from 23RD Jan, 2020 THURSDAY

Vacancy : 4 LADIES TEACHERS

For details, just dial :
8787880819
9774770388

Lalambung Makhong, Near Lalambung Pung RIMS Road, Imphal -1

meikleyinternationalschool@gmail.com

SL/5669/3+15 days



FOCUS
The Conceptual study Circle
Lalambung Makhong Near Lalambung pung RIMS Road

*Focus study circle in association with Mastermind Abacus Lalambung Centre, aims at shouldering the responsibility of your child for the complete preparation of their school syllabus. It aims at identifying the weaker subject of your child and providing a conceptual guidance to make the child step forward with confidence.*

Admission is going on for the session 2020-2021



- Starting with Class I to X (CBSE & Manipur Board)
- Class timing 4:45 to 7:45p.m.
- Covering all subjects.
- Conceptual class on weak subject
- Self study hour under the supervision of teachers.
- Weekly Exam on every Sunday.
- Managing the school task done in their respective classes with a schedule and scientific way of revision method.
- Experience Teachers and Guest Faculties for Exam preparation.

For Further information pliz Contact # 9774770388

SL/5669/3+15 days